ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯷, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, সেপ্টেম্বর ২৭, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৭৮শুবা মশীং

# হিমনতা বিস্বা সরমগী ৱাফম

## এন আর সী অমসুং সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী পান্দম মান্নরকপা

অসামদা সিটিজনশিংগী লিষ্ট ফোঙখিবদা মীওই লাখ ১৯ লোমগী মিং য়াওখিদ্রবা মতুংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অৱাং-নোংপোক লমদমদা বি জে পিগী মরু ওইবা থৌশিল শেন্বা মীশক অমা ওইরিবা হিমনতা বিস্বা সরমনা হায়খি, নবেম্বর থাদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল শোয়দনা পাস তৌরগনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা অসামগী সিলচরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি, অর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ (এ) লৌথোক্তুনা মুসলিম ৱিমেন (প্রোটেক্সন ওফ রাইট্স ওন মেরিয়েজ) বিল ২০১৯ পাস তৌখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী য়াম্না মরু ওইবা পান্দমদি সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌবনি। পার্টি পূম্নমক্না তানরগা নবেম্বর থাদা বিল পাস তৌনবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক অৱাং-নোংপোক লমদমগী নাৎ অমসুং লিংগ্বিষ্টিক রাইট্সতা অকায়বা অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনগনি। রাষ্ট্রিয়া একটা অভিয়ানগী মখাদা করিমগঞ্জ অমসুং সিলচরদা পাঙথোকখিবা জন জগরন রেলিদা ৱা ঙাঙখিবদা নোর্থ ইষ্ট দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন ঈ দি এ)গী কনভিনরসু ওইরিবা হিমনতা বিস্বা সরমনা হায়খি, লোক সভাগী মীখল মমাঙদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌবগী ৱাফম ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা য়াওহন্দুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা লাউথোকখি। মতমদুদা মীওই কয়ানা বি জে পি মায়থিরগনি হায়না মোৎ পীনখি। অদুবু মীখলগী ফল লাউথোরকপদা বি জে পিনা হান্নদগী সীট মশীং হেন্না ফংলগা মায় পাকখি। অসামদা হন্দক্তা ফোঙখিবা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী)গী মতাংদা মহাক্না হায়খি, এন আর সীদা মিং য়াওখিদ্রবা মীওই লাখ ১৯গী মতাংদা থবক পায়খৎপা হৌরগনি। অদুম ওইনমক মীওইশিং অদু খূদক্তা ফোরেনরনি হায়না লাউথোক্লগা তাম্থোকপগী ৱাফম লৈরোই। কুমজা ১৯৭১গী মার্চ ২৫ মতুংদা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপ খন্দোক্লবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপা তারবসু লিষ্টতা মিং য়াওদবা মীওই পূম্নমক ৱাকৎনবগী খূদোংচাবা ফংহনগদৌরি। এন আর সীদা অশোয়বা কয়ামরুম য়াওরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হিমনতা বিস্বা সরমনা এন আর সীদা অশোয়বা খরা য়াওরে হায়রিবসি লিষ্টতা হিন্দু খরগী মিং য়াওরকখিদবগী মতাংদনি। এন আর সীদা মিং য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা হিন্দু অমত্তা দিটেন্সন কেম্পতা থম্লোই, ইন্দিয়াদগী হলহনখিবসু তৌরোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোককি। হীরম অসিগী মতাংদা রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবম সংঘ (আর এস এস)কী লুচিংবা মোহন ভৱটনা হায়খি, মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ওৎপী-নৈবিরবা হিন্দু পূম্নমক ইন্দিয়াদা চঙলকপদা তরাম্না লৌশিনগনি। নুমীৎ হুম্নিগী অসাম খোঙচৎতা থুংলগদৌরিবা মোহন ভগৱটনা দিল্লিদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা হায়খি, হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওই অমত্তা ইন্দিয়াদগী হলহনখিবা তৌরোই। এন আর সীদা মিং য়াওদ্রবা হিন্দুশিংগী মিং য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। মালেমগী তোঙান-তেদাঙানবা মফমদা লৈরিবা হিন্দু পূম্নমক ইন্দিয়াদা চঙজফম পীগনি হায়বসি আর এস এসকী ময়েক শেংলবা ফিরেপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু এন আর সীদা মিং য়াওরক্ত্রবা মীওইশিংগী মরক্তগী অখন্নবা কাঙলূপকী মীওইশিং ইন্দিয়াদা মখা তানা লৈহন্নবগী মতাংদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌবা হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মরুওইবা পান্দমনি হায়না লৌবা য়াই। হৌজিক খন্নবা মথৌ তারিবসি এন আর সীদা মিং য়াওরক্ত্রবা অতোপ্পা কাঙলূপকী মীওইশিংগী মতাংদনি। এন আর সীদা মিং য়াওরক্ত্রবা মীওইশিংগী মরক্তা ইন্দিয়াগী মঙাশুবা প্রসিদেন্ট ফাক্রুদ্দিন অলি অহমদকী ইমুং-মনুংগী মীওই য়াওরি। ফাক্রুদ্দিন অলি অহমদকী অপোকপা কর্নেল জালনুর অলি অহমদনা অসাম খক নৎতনা অৱাং নোংপোক লমদম অপূনবগী ওইনা এম দি দিগ্রী ফংখিবা ইহান-হানবা মীশক্নি। ফাক্রুদ্দিনগী মপুবোক খালিলউদ্দিন অলি অহমদসু অসামগী গোলাঘাট মনাক্তা লৈবা কছারিঘাটতগী হৌরকখিবনি। ওপোজিসনদা লৈরিবা ওল ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট (এ আই য়ু দি এফ)কী এম এল এ ওইনা সাউথ অভয়াপুরি এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী মীহুৎ ওইরিবা অনন্তা কুমার মালো অমদি কাটিগোরাহ এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী এম এল এ ওইরম্বা অতাউর রহমন মঝরভুয়ানসু এন আর সীদা মিং য়াওদ্রে। এন আর সীদা মিং য়াওরক্ত্রবা মীওই পূম্নমক খূদক্তা তাম্থোক্লোই হায়জরগসু অৱাফমদা তাবগী ফীভমদা লৈরে। হিন্দুশিংগী ওইনদি এন আর সীদা মিং য়াওদ্রবসু অথুবা মতমদা য়াওহন্নবা নৎত্রগা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌদুনা ইন্দিয়াদা মখা তানা লৈবা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স অমসুং সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী পান্দম মান্নরকপগুম তৌরি। অদুম ওইনমক অখন্নবা লাইনীং নৎত্রগা ফুরপ্তা য়ূম্ফম ওইরগা মীচঙ-মীখায় নাইবা মওংদা লৌখৎলকপা থৌরাংশিং মালেমগী চাওখৎলবা খুন্নাই অমত্তনা য়ানিংগদবা মান্দে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### চানা খুনগী খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোকহনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাই এ সীনা কোনবা চানা খুঙ্গংগী থোং নৌনা শারগসু লোইশিনদনা লৈবনা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরে। ইকুই কুইদ্রিঙৈদসু খুন অসিগী মীওই অমা গাড়ি মচা থৌদুনা লাকপদা থোং হেক লাল্লমদাইগী লম্বী অসি লৈখোম থোক্লা নানবনা মরম ওইদুনা অমদি থোংগী ওই থংবা শরুক খাবা লোইশিনদবনা মদুদা তাশিন্দুনা অশোক-অপন নংবসু য়াওখ্রে। মরম অদুনা মরী লৈনবা থোং শাবিরিবা মীওইশিংনা অমদি লৈঙাক্লা থোংগী লম্বি অমদি ওইথংবা নাকলগী খাদনা লৈরিবা শরুক অদু অথুবা মতমদা লোইশিনবিয়ু হায়জরি। মতম কুইনা অসুম্না লৈরবদি অচৌবা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অশি-অনা য়াওরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। লোয়ননা খুন অসিগী ওইনা নেসনল ফুদ সিকুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ) গী মখাদা চেঙ চাং নাইনা ফংদবনা খুন অসিগী মীওইশিংনা অৱাবা কয়া অমসু ময়োক্লরি। মরম অদুনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবিয়ু। মতম খরগী মমাংদদি খুন অসিদা কেরোসিন অমদি চিনি চাং নাইনা য়েন্থোকপিরম্মী অদুবু থা কয়াগী মমাংদগী মদুসু ফংখিদ্রে। করি-করম্বা মরমনা হায়রিবা কেরোসিন অমদি চিনি য়েন্থোকপিদ্রিবনো হায়বদু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওশিংনা কুপ্পা থিজিনবিদুনা হান্নগুম ফংলম্বা খুদোংচাবা অদু মীয়ামদা ফংহনবিরগদি থবক শূফম নোমফম খঙদনা নোংমগী ৱানা চারা তান্দুনা হিংলিবা খুন অসিগী খুঞ্জাশিংদা খরদং ওইরবসু শাফগনি হায়না খনজে।

**অদোমগী - কে ঐচ পুর্ণিমাশি**
**প্রসিদেন্ট, ইম্ফাল ইষ্ট পলেম**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪

১। ঐখোয়গী পুৱারীদা কাউবা য়াররোইদবা মীশকশিংগী মনুংদা নিরঞ্জন সুবেদারসু অমনি। মহাক মৈতৈ নত্তে, নেপালিনি, ছেত্রি শাগৈনি। মাবুসু সাহেবনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবনি।
(ক) মহাক ফাঁসি তৌখিবদু কুমজা ১৮৯১গী করি থাদনো?
(খ) মাবু পোকপা অপোকপগী মমিং করি কৌবগে?

২। ‘‘ফনা নুংশিবা কোকিলগী খোঞ্জেলসু ওইসনু। ... নূংনা শাবা থম্মোয়দা অরেম্বা ওইগনি।’’ ৱাফম অসি উপন্যাস, ‘কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই’ হায়বা অদুদগীনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

৩। ‘‘শেন্দাং মচা অমা/পাইথোক্লকই পাইবা ঙম্বোই ঙমদবোই লৌবুক্তা/খুনুং খরং অমনা তাপ লাকখি।’’ পরেং অহুম অসিনা, ‘বসন্ত ওইগেরা, নাকেন্থা ওইগেরা’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ‘‘মচা পোকমিন্নরিবা মাগী নুপীবু হাৎকে হোৎনবা নুপা অমতা তাইবঙপানসিদা পোকহনবীরনু। মীগী নুপাবু ফাদুনা মৱা ওইবা ঙন্বী নুপীসু অমতা পোকহনবীরনু।’’ ৱাফম অসিমনা ‘অহিংসিনা লোইদ্রিঙে’ কৌবা উপন্যাস অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। ‘‘ঐগী নুংশি লম্বীদা/মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।’’ পরেংশিং অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউ-খুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মাওগী এঙ্গাং-নাপিখক্তবু ওর্গানিক ওইবরা অতৈদি ওইদবরা?

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

মফম হোং-হোংদুনা মাও কৈথেল ফম্লে তম্পাক্কী মফম কয়াদা। মাওগী এঙ্গাং-নাপিসি ওর্গানিক ওই হায়নবদুদা পোৎ লৈবদা মীনা কূক-কূক ইন্নরে। ওর্গানিক ওই হায়বদুদা পোৎকী মমলসু হেনগৎলে। কয়া য়াম্না ওর্গানিক ওই হায়বদুদি খঙদ্রি হায়না লৌবা য়াই। ওর্গানিক ওই হায়বসি কনানবু হায়বনো হায়বদি তাদ্রি। মসিদি পোৎ য়োনবা মীনসু হায়বা য়াবা নত্তে অদুগা পোৎ লৈবা মীনসু হায়বা য়াবা ৱা নত্তবা মাল্লে। এঙ্গাং নাপি থারিবা লৌমী মশামক্নসু মাগী পোৎথোক্তু ওর্গানিক ওইরে হায়বা য়াবা নত্তবা মাল্লে। মসিমক হায়রগসু হেক্তা য়াদবা মাল্লে। শম্না এগ্রিকলচরগী মরী লৈনবা এক্সপার্টশিংনা ওর্গানিক ওইরে/ওইদে হায়গদবা ওইরমাল্লে। অদুবু খঙদে মাওগী পোৎশিং ওর্গানিক ওই হায়দুনা পঙলৈদা লৈনরে। হোয় মাওগী আলুবুদি মহাও লৈ হায়নরিদুনি। মহাও লৈ হায়বদু চুম্লগসু মদুবু ওর্গানিক ওইরে হায়বদুমদি চুমগদবা মান্দে সাইন্টিফিক ওইবা মীৎয়েংদা য়েংলক্লবদি। মহাও লৈবা নৎত্রগা পোৎ অদু মশক ফজবা হায়বদুদি পোৎ অদুগী জাৎ নৎত্রগা ভেরাইটি অদুনসু ওইবা য়াই। শম্না মাওগী আলু, এঙ্গাং নাপি য়াম্না মহাও লৈ হায়বদুদি ওর্গানিক ওইবদুনা নত্তবসু য়াই পোৎ অদুগী ভেরাইটিনসু ওইরম্বা য়াই। তশেংনা হায়রবদি ওর্গানিক ওইরবা পোৎ অদুদি মহাও লৈরগা ওইগদবা নত্তে। মহাও লৈতবা পোৎতি ওর্গানিক ওইদে হায়বা য়াব্রা? হাংনীংঙাই ওইরি। নৎত্রনে?

মাওখক্তা নত্তনা মণিপুরগী চীংগী লমশিংদগী এঙ্গাং-নাপি অমদি হৈ-রা কয়া মতম কয়াগী মমাঙদগী পুথোক্তুনা লাক্লি। মদুদি ওর্গানিক ওইবা মীয়াম্না পাম্নবা পোৎথোক্লি করম্না হায়রোইদগে? অদুবু হায়বদি ইথেং থেংনদে। মদুগী মহুত্তা মাওগী পোৎথোকশিংবুনা ওর্গানিক ওইবনি হায়নদুনা পোৎ পংলৈদা লৈনরি। মরমদি ইখঙ খঙদনা থাজবগী চাংনা য়াম্না হেনখ্রবরা করিনো অমা তৌরে। চুড়াচান্দপুর, তমেংলোং, উখ্রুল, চান্দেল অমদি অতৈ চীংগী মফমশিংদগীসু অফবা এঙ্গাং-নাপি, হৈ-রা কয়া পুথোক্তুনা মণিপুর মীয়াম্না চারি। মাওদা থাবা এঙ্গাং-নাপিদুসু কাংপোকপীগী চীংগী লমদা অদুমক থারি। মফম অসিগা নক্নখ্রবা চীংগী লম ঙাক্তনি। মতম অমদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা লৈরম্লিবা ঙাক্তনি। অদুনদি মাওদগী পুথোরকপা পোৎথোক্লা ওর্গানিক ওই হায়নরবদি কাংপোকপীগীসু ওর্গানিক ওইফম থোকই। মতাং অসিদা ওর্গানিক ওই হায়নরিবসিদি পোৎ য়োনবা মীওইশিং অমদি পোৎ লৈবা মীওইশিং অদুনা হায়নবগী মওং অদুগী মতুংইন্না ফোঙদোকপনি। তশেংনা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা ওর্গানিক ওই হায়বা মওংদুদা হায়বা নত্তে। উখ্রুল, তমেংলোং, চুড়াচান্দপুর, চান্দেলনচিংবা চীংগী লম অসি মাওগুম্না লৈহাও লৈবা চীংগী লমনি। লৌমীশিং থৱায় য়াওনা এঙ্গাং-নাপি অমদি হৈ-রা কয়া থাদুনা মীয়াম্না চাবা ফংলি। মদুদগী পুরকপা পোৎথোকশিং ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়ৌরক্লি। মদুদগী অমুক তম্পাক্কী মফম পূম্নমক্তা শন্দোকখি। অদুবু নহানমখৈদি পোৎ চৈশিং অসি ইম্ফালদা য়ৌরক্তবগুম মীয়াম্না খনবা মানবা মওং অমা উবা ফংলে। চীংগী লমদগী পুরক্ত্রবদি নহানমখৈ ঐখোয়না নুংতিগী চারিবসি কদায়দগীনো হায়না খন্থজবা য়াই। মদুগী খুদম হায়ববু চীংমী ইমা-ইবেলশিংনা এঙ্গাং-নাপি গাড়ী মপোৎ মপোৎ পুরক্তুনা ইম্ফালদা য়োন্নরিবসিনি। খুরাই লমলোং কৈথেলদা চীংমী ইমা-ইবেলশিংনা লম্বীগী নাকলদা ফমদুনা নুংতিগী য়োল্লিবা এঙ্গাং-নাপিশিং অদু চীংদগী পুরকপনি। অদুবু মদুদি ওর্গানিক ওই হায়দুনা কনানসু হায়বা তাদ্রি। মদু মাওদগী পুরকপনি হায়দবগীরা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রে নৎত্রগা লম্বীগী চিদাইদা ফমদুনা পোৎতু য়োনবগীরা হায়বদুসু খঙবা ঙমদ্রে।

মাওগী এঙ্গাং নাপি মণিপুর মীয়াম্না চাদুনা লাক্লিবসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগীনি। কুইরে মাওগী আলু ফোঙ-ফোঙ কায়, মহাও লৈ হায়নরক্লিবসি। তম্পাক্কী লমদা ফংবা কুইরে, ঙসিসু কৈথেলদা ফংলি। থায়নদগী হৌনা আলু বোরা-বোরা মাওদগী পুশিল্লক্লি। ইম্ফালদা ফংদুনা অদুম লাক্লবা, চাদুনসু অদুম লাক্লবা পোৎ-চৈশিংবু হন্দক্তা ইহান হান্না ফংবদৌনা তৌবা মতৌসিদা খরা খজিক পূক্নিংদা নোক্নিংবা ফাওরকই। লমদমসিগী মীয়ামসিবু করি তৌরবজাৎনো হায়দুনা। মাও কৈথেল ফম্বা লাক্লিবা মীওইশিংদুনা পুরকপা পোৎ-চৈশিংদু নৎত্রবদি তম্পাক্কী কৈথেলশিংদা ইফংদা ফংদ্রবজাৎলা হায়বা ৱাহং অমা থোক্লক্ত্রনে? ৱাহং অসি থোক্লক্লিবগী মরমদি মাও কৈথেল ফম্বগী থবক অসি য়াম্না হেন্না মরু ওইবগুম তৌবা অসিনি। মীনুংশি অমদি লৈরে নাগালেন্দদা পোৎ য়োনবা থিংবদগী। নাগালেন্দা অথিংবা লৈরবসু পোৎশিংদুদি তম্পাক্কী কৈথেলশিংদা থাবা য়াই। নীংশিংবা য়াই মাওগী পোথোক কয়া মীওই কয়ানা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী তম্পাক্কী কৈথেল কয়াদা য়োল্লি। তশেংনমক হায়রবদি নাগালেন্দদা মাওগী মীওইশিংনা পোৎফম ফমদুনা পোৎ য়োনবদা অথিংবা পীবসিমদি নুংঙাইতে। মসিদি তৌহৈদবা থবকনি। পোৎ য়োনবা চৎচরম্বদুসু চৎত্রে, শেন্থোক ৱাৎলে, নুংঙাইতে। জুকো ভেলিগী মতাংদা নুংঙাইনদবদগী থোক্লকপা ৱাথোকনি। মচিন-মনাও ওইবা কৌবনিনা তম্পাক্কী মীওইশিংনা ইম্ফালদা পোৎ য়োনবা লাকউ হায়দুনা কৌবনি। মসি মীনুংশি ওইবা লিপুন অমনি অদুগা তৌফমসু থোকপনি। তশেংনমক হায়বা তারবদি মাওগী কৈথেল ফম্বা লাক্লিবা মীওইশিং অদু ইম্ফালদা লাক্তুনা কৈথেল ফম্বদগীদি নাগালেন্দা ফম্বনা হেন্না পাম্মী মরমদি মখোয়দা য়াম্না নকপা হেল্লি। ইম্ফালদা লাকপনা হেন্না লাপ্পা হেল্লি, ৱাবসু হেল্লি, লম্বীগী খুদোংচাদবসু হেন্না মায়োক্লে। নাগালেন্দনা য়ারে হায়রক্লবদি মখোয় অদোমদা ওইনা চৎখিনি। ইম্ফালদা লাক্নিংবগী চাং হন্থখিনি। ওইরিবা ফীভম অসিদি মসিনি। শম্না মখোয়সু ফীভম্না অমদি তমগী মীওইশিংনা উৎলকপা মীনুংশি অদুগী মতুংইন্না ইম্ফালদা কৈথেল ফম্বা লাক্লিবনি।

মাও কৈথেল অমা ইম্ফালগী মফম চাবা অমদা য়েংলগা শাবিয়ু হায়রে মতম চূপ্পগী ওইনা কৈথেল ফম্বা য়ানবা। তমেংলোংগীসু, চান্দেলগীসু, উখ্রুলগীসু, চুড়াচান্দপুরগীসু হায়রকপা য়াই। করিগুম্বা মাও কৈথেল অমা শারুবা তারবদি অতৈগীসু শোয়দনা শাবিয়ু হায়রক্কনি। শাববু হৌদ্রিঙৈ শানবগী ৱা খন্নরকপা অমদি শানবগী অয়াবা পীরেখক্তা হায়রকপদা অতৈ চীংগীসু শাবিয়ু হায়রক্কনি। অমরোমদা শাফমসু থোকপনি। অমা শাবা হৌরুরবদি শোয়দনমক শুনা শাবা তাবনি করিনা হায়ববু গভর্ণমেন্ট হায়বসিদি অচান-মীরাই নাইবা য়াবা নত্তে। কৈথেল শাবা হায়বসি অতৈ কনানসু শাবা ঙমগদবা, শাবসু য়াগদবা নত্তে। গভর্ণমেন্টকী ওইবা পোলিসি অমগী মখাদা শাবা তাবনি। গভর্ণমেন্টকী বজেটতা শেল লৈরে হায়রগসু হেক্তা শাবা য়াবা নত্তে। পোৎ অদুগী কান্নবা/কান্নদবা কয়া তুং-মাং মুন্না য়েংলগা শাবা তাবনি। তুং-মাং য়েংবা হায়বসিদা ফুরুপ অমগী মীংদা কৈথেল শারুবদা অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিং পোৎফম ফম্বগী অয়াবা পীগদ্রা নৎত্রগা পীরোইদ্রা হয়বগী ৱাফম লাক্তবা নত্তে। মসিদি গভর্ণমেন্টকী কোক য়াম্না শাগদবা থবকনি। য়ামখ্রবা ফুরুপ ময়ামসিগী তোঙান-তোঙানবা কৈথেল শঙ অমমম ইম্ফাল মনুংগী মী চিল্লবা পিকখ্রবা মফমসিদা শাবা হায়বসি ওইথোক্কদ্রা? ওইথোক্লে হায়না খল্লবদা কৈথেল ময়ামদুগী কান্নবা করিনো? মীয়াম্না ফংগদবা কান্নবদুনা করিনো হায়বদু গভর্ণমেন্টনা শোয়দনা য়েংলকখিনি। হৌজিক ইম্ফাল ময়োলদা নুপী কৈথেল অহুম লৈরি। অতোপ্পা অমসু শাগৎলি, শাবা লোইদ্রি। মসিমকসু অচৌবা অৱাবা অমা ওইরি করিগীনো হায়বদা খ্বাই কৈথেলগী পিকখ্রবা মফমসিদা কৈথেল ময়ামসি লৈবদগী গ্রেটর ইম্ফালগী অকোয়বদসু কৈথেল ময়াম অমা লৈনা-লৈনা লম্বী নাকলদা পোৎফম ফম্বদগী লম্বী চৎপদা খুদোং য়াম্না চাহন্দ্রে। পিকখ্রবা খ্বাইরম্বন্দ নৎত্রগা মসিগী অকোয়বদা নক্না ফুরুপ ময়ামগী তোঙান-তোঙানবা কৈথেল শঙ শাগৎপা হায়বসি মীয়ামদা থোয়না কান্নবা পুরক্কদ্রা নৎত্রগা পুরক্লোইদ্রা হায়বা ৱাফমসি লাকই। কৈথেল ফম্বগী মহুৎতা মখোয়গী পোথোক অদু ইম্ফাল য়ৌনবা নৎত্রগা মণিপুরগী মফম অতৈদা য়ৌনবা থাদোকখিবনা কান্নবা ওইগনি। কৈথেল ফম্বখক্তনা শেন্দোং য়াম্না ফংবা নৎত্রগা শেন্থোক য়াম্না লৈবা, পোৎ য়াম্না শিৎপা হায়বদু ওইগদবা নত্তে হায়নীংই।

ইম্ফাল ময়োলদা অনৌবা কৈথেল শঙ শাবগী পূক্নিং থৌগৎলোইসি হায়নীংই। মদুগী মহুত্তা অরাপ্পা মফমদগী পুথোরকপা পোৎথোকশিং পূন্না-পূন্না থাবগী থৌশিল থৌরাং গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপনা হেন্না ফগনি অমদি লৈবাক মীয়ামদা কান্নগনি হায়নীংই। ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈরিবা লম য়াম্না চিল্লে হায়নীংঙাই লৈতনা চিল্লে। মরম অদুনা য়াম্না তুং-মাং য়েংলগা থবক পায়খৎহন্নীংই নৎত্রবদি তম্পাক্কী লমদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্কনি। অমরোমদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা তম্পাক্কী মীওইশিংনা কৈথেল ফম্বা ঙম্নবা কৈথেল শঙ শাবদি অমরোমদা কায়বা লৈব্রা হায়বরোমদসু য়েংবা য়াই। চীংগী মীওইশিংখক্তগী য়েংলগা তম্পাক্তা অসুম অসুম তৌবসিসু খরা খন্থবা য়াই। তমগী মীসু চীংদা পোৎ য়োনবদা চীংমীশিংদা য়াম্না কান্নে। মখোয়না লাপ্না তমদা লাক্লগা পোৎ লৈবদুগী অৱাবদু লৈররোই। ●

# ইমালোলগী শক্তম কলহৌসি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মীওইবা খুদিংমক মমালোনবু নুংশিনবা ঙাক্তনি। মালেমসিগী ফুরুপ খুদিংমক্না মমালোনবু কন্নবা মতম লৈবা খিবিক্তা হোৎনরি। মণিপুরগীসু মণিপুর ষ্টেটকী অপূনবা লোল, ষ্টেট লেংগ্বেজ ওইরিবা মৈতৈলোলসি মতম চারিঙৈদা কলহৌনবা মণিপুরগী য়েলহৌমী খুদিংমক্না হোৎনফম থোকই। মণিপুরগী ষ্টেট লেংগ্বেজ ওইরিবা মৈতৈলোলবু মরম অমা নৎত্রগা অমনা শিথহল্লক্লবা হোৎনবা নৎত্রগা লোলসিদা অতোপ্পা লোলগী লোলয়ান কয়ামুক য়ানশিন্দুনা লোলসিগী ওইবা মশাগী শক্তম মাঙহল্লক্লবা হোৎনবনচিংবা পূম্নমকসি পুমথিং থিংনবা হোৎনমিন্নসি। থৌদৌশিংসিমক্না, মালেমদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লোল কয়ামুক্কী ফীভমশিংবু য়েংশিল্লিবা, হীরমসিদা মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা ওর্গনাইজেসন ওইরিবা য়ুনেস্কো (য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনল সাইন্টিফিক কলচরেল ওর্গনাইজেসন)না মৈতৈলোলবু হঞ্জিন-হঞ্জিন ৱার্নিং তৌরকখিবা লৈখ্রবনি। ৱার্নিংসি শুপ্নগী লোলসিবু ঙাঙলিবা মীওইশিংসিগী অপূনবা মীশিংগী চাংসি য়েংলগা নেম্মল্লি হায়দুনা পীরক্লিব্রা নৎত্রগা য়ুনেস্কোনা অতোপ্পা লোল কয়ামুক্কী লোনয়ানশিং মৈতৈলোলদা য়াওশিল্লম্বা থেংনদুনা ৱার্নিংসি পীরক্লিবরা হায়বসি মমুৎ তানা খঙদোকপা চুমগনি। হীরমসিগী মতাংদা অকূপ্পা ৱারোলশিং কয়ামুক শোয়দনা লৈরম্ফম থোকই। ৱারোলশিংদু ঐখোয় খঙদোক্লবা হোৎনফম থোকই। মতাংসিদা হায়নীংলিবসি, ইশানা ইশাগী ইমালোলবু মরায় চায়থহন্নবা অমসুং ময়ায় চমথহন্নবা হোৎনবগী মওংদি ঐখোয় ইশা ইথন্তনদি কৈদৌঙৈদসু খক পোরম অমা ফাওবা চখ্রোইদবনি। ঐখোয় খুদিংমক চীরবা তানফমসিদা ইরোলগীদমক মাঙজবা খুদিংমক্তু ময়েক শেংনা খঙফম থোকই।

ইরমদমসিগী ফুরুপচাশিং অয়াম্বনা, চাওখৎলবা মতমসিগী নুংশিৎনা মশাদা য়ৈবদা থোইদোক-হেন্দোক্লা কল্লকপা, কঞ্জাওবা অমদি মীনা করিদা হেনখিগদৌবা হায়বনচিংবা পূম্নমক্তু পূমকাউ কাউথোক্তুনা পংপেন পেন্থোক্তুনা লৈথোক্লবা ঙল্লিবসি ঙকই। মতম অমদা, নীংশিংবা থোক্তবা মখৈ কুইরবা মতমগী মমাঙদা লাইরিক-লাইশু হৈজদ্রবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংদুনা ঐখোয়গীদমক্তা হোৎনবীরম্বশিংদু ঙসিতা খল্লুবদা পূক্নিংসি নুংশিবা অমসুং নীংঙল্লক্তবা কয়ামরুম ফাওরকই। মতম কয়াগী তুংদা মখোয়গী মচা-মশুশিং ওইরিবা ঐখোয়না মখোয়বু শোয়দনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ঙাঙনহৌগনি খন্দুনা মতমদুদা মণিপুরদা চঙলকপা লোইশঙশিং অমদি পোৎশকশিং হেক থেংনবা মখৈ অয়াম্বনা ঐখোয়গী ইরোল ওইরিবা মৈতৈলোলদা লোয়না হন্দোক্তুনা মমিংশিং ফজনা থোনবীরম্মী। মখোয়শিংদুগী মরক্তা খরদং নীংশিংলবদা, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টবুনা মহৈ লোইশঙ, মহৈ-মশীন তম্ফম্বুনা মহৈশঙ, লৌ-ইঙ্খোলগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং শূফম্বুনা লৌরুংশঙ অসিনচিংবা কয়া অমনি। অদুবু, মতমদুগী ঐখোয়গী লাইরিক-লাইশু হৈজহৌদবা ইপা-ইপুশিংদুগী ঙমজবগী চাংদগী হায়ফেৎ হেন্না মীরমগী লোন, মীরমগী লোন্দা মিং থোনবা পোৎ-চৈশিং কয়ামুক্না মথং-মথং মশীং থিঙমদবা মখৈ মণিপুরদা কুংনা চঙশিল্লকখি। ফীভমসিদা, লাইরিক-লাইশুগী ৱাখল্লোন ৱাৎচবা অমদি লৈবাক নিংথৌগী অয়াবসু ফংখিদবা ঐখোয়গী মতমদুগী ইপা-ইপুশিংদুনা করিবু তৌবা ঙমহৌগদৌরিবনো? ৱাহংসিদা পূম্নমক য়াওরবনি। থৌদৌসিগী ইথিলনা ঙসি ফাওবদা ইরমদমসিদা মীরোল কয়ামুক্না ইশাগী লোনদা পুক্কে চোন্না হাইজিল্লক্লি অমসুং ইশাগী লোলনা করি হায়না মিঙ্গৌদগে হায়বা ফাওবা খঙদ্রবা পোৎশক কয়ামুক্না নুংশিৎমুক কূংনা ইরমদমসিদা পৈশিল্লক্লি। পূম্নমকসি করম্না কোকহনগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দু হৌজিক ফাওবদা ইরমদমসিগী অয়াম্বা ইরৈচাশিংগী কোক্তা মমি তাবগী পোফমশিং উবা ফংদ্রি। শুপ্নগী অপিকপা লূপ মচা অম’নি খক্লা য়াম্না ৱানা লাংকক-লাংকক মমি তম্নবা হোৎনরি। হীরমসিগীদমক খূৎমাবা ওইরিবা লূপশিংবুদি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু খক কাউফম থোক্তে। অমনা তৌবদা অমনা মীথানদবা, অনৌবা থৌদাংশিং য়াদুনা অনৌবা লমজে লশিং চেনবা হৌবা মতমসিগী অচঙবা মীওইশিংগী মফমদা ঙসিগী খুন্নাইসিগী হামচৎনরবা মীওই লিশীং-লিশীংনা হেক-হেক নোক্লবীবা অমদি করেম-কথাইনবীবগী থৌদৌশিংসু তত্তনা থোক্লি। থৌদৌশিংসি ঐখোয় ইশানা ইশাগী খোঙদা শীংজংনা য়ানশিঞ্জবগা চপ মান্নগনি। ঐখোয়গী ইরোলগীদমক কনা লাক্তুনা নৌহৌননা অমুক হন্না হোৎনবীরগনি? ইরোলদা য়াওরিবা লোনয়ানশিং লৌথোকপগী মতমসু থেংমল্লবনি। লৌথোক্লবা হোৎনমিন্নরিঙৈ তাঞ্জাসিদা মদুগী মহুত্তা অমুক্কা হেন্নদুম লোন্থে-লোনয়ানশিং হেঙ্গৎহল্লক্লবগী থৌদৌশিং কয়ামরুম অমসু ঙসিগী খুন্নাইসিগী মচি খরদা হোংলকপা অনৌবা লোনচৎ নৎত্রগা হৈনবী-চৎনবী অমগুম্না হাপকৎনরকপা উরি। ফীভমশিংসিদা মতাং-মতম চানা ঐখোয়না ইরোলদা য়াওরম্বা অমোৎ-অকায়শিংবু তকথোক-শেংদোক্লবা হোৎনবা হায়বসি খক তরায়-তরায়বা থবক অমদি ওইরোই। অদুমকপু ঐখোয় হোৎনমিন্নদবদি খক য়ারোই।

হৌজিক মতমদা মৈতৈলোন/মীতৈলোনগী মনুংদা অঙকপা থৌদৌশিং কয়ামরুম থোক্লি। লোনদা লানবা নত্তবা, চুম্না অনৌবা চৎনবী অমা হৌদোকপা হায়গদ্রা নৎত্রগা তশেংনা অরানবা থৌদৌ অমা ওইনা লৌগদৌরিবরা, মিঙ্গৌ ওন্ন-তৈনবগী থৌদৌসিসু ইরোলসিদা অরুবা অকায়বা অমদি ওইহল্লক্কদ্রা হায়বসি খন্নীংঙাই ওই। হৌজিক্কী মতমদা ওন্ন-তৈনবা মিঙ্গৌশিং অসুক্কী মতিক কৌনরকখ্রে। মসিমক্না কাইহল্লে নৎত্রগা নুংশিবা ৱাৎহল্লে হায়বগী ৱাফমশিংদুদি নত্তে। অদুম ওইনমক, মৈতৈ ফুরুপগী ওইবা লাই হাকথক্তগী হৌনা শেন্বীরম্লবা মিঙ্গৌরোল হায়বা মিঙ্গৌশিংতগী ওইবা পরীং-পথাপ অমদি লৈজরিবনিনা, তুংদা থৌদৌসিদা কদায়দনো অমদি শোয়দনা লানহল্লক্কদ্রা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে। মিঙ্গৌরোল কাইরকপনা ইরোলসিদা অকায়বা পীরক্কদ্রা নৎত্রগা ইরোলসিগী ওইবা শক্তমদা অকায়বা থোকহল্লক্কদ্রা হায়বসিসু খন্ননিংঙাই ওই। মতমসিদা হোংনরক্লিবা মিঙ্গৌসি কদোমদগীনো হায়বদু খঙনহৌদে। তৌবগীদি নুংশিবদগী নৎত্রগা মিঙ্গৌদু পামজবদগী কৌনখিবা নৎত্রগা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মীতৌ তমদুনা কৌখিবদগী লানখিবা অসিনচিংবা মরমশিং কয়ামুকসু লৈরম্বা য়াই। মৈতৈশিংগী মিঙ্গৌশিংদা নুপা-নুপী, মমাগী কাঙলুপ নৎত্রগা মপাগী কাঙলুপ, কাঙলুপ নৎত্রগা মায়কৈ খঙহনবগী ৱাফম অদুম্মক লৈরকই। মপাগী মায়কৈদা, মখুরা, মতোন নৎত্রগা মপল হায়রিবশিংসিনা মপাগী কাঙলুপ খঙহল্লি। মমাগী মায়কৈদনা, মাম্মা (মামহল, মাময়াই, মামতোন) অসিনচিংবনা মমাগী কাঙলুপ তাকই। নহারোল মশেন্দসু, মচিন-মনাওগী মিঙ্গৌশিংনা মপারোমগী হায়বদি মাগী শাগৈগী মিঙ্গৌশিং ওই অমশুং মশেন/মবাই হায়বসিনা মমারোমগী নৎত্রগা মানা লৌরুরিবা নুপীদুগী মায়কৈগী মিঙ্গৌশিং ওইনৈ। অদুম ওইনমক, মৈতৈশিংগী ওইবা মিঙ্গৌরোলগী পরীং-পথাপসি কায়রকপনা তুংদা চমম্নবা, মিঙ্গৌশিংগীদমক চয়েৎনবা মতাং কয়ামরুম অমা লাক্কদ্রা হায়বসিসু খন্ননীংঙাই ওই। অদুবু, হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থোয়দোক্লা কায়নবদি থেংনদ্রি। মসিসু সুম চৎনখ্রবদি ঐখোয়গী লোনসিদা শোয়দনা অকায়বা অমদি ওইহল্লক্কদ্রা হায়বসিশু খল্লকই। ফজখ্রবা নুপা-নুপীগী ওইবা মৈতৈশিংগী মিঙ্গৌশিংসি মরম ইরৈ-লৈতনা হেক্তা হোংদোকপসিনা তুংদা কায়হল্লক্কদ্রা হায়বসিশু চিংনদবা ঙমদে। খুদম ওইনা হায়রবদা, মনাওনুপীশিংনা মতৈ থোকপা নুপাশিংদা ‘ইতৈ’ কৌবগী মহুত্তা ‘তাদা’ নৎত্রগা ‘ইবাই’ হায়বা মিঙ্গৌশিংসি য়াম্না তোয়না কৌনরক্লি। ‘ইনম্মা’ থোকপা মফমশিংদা ‘ইচে’ কৌনবগী চৎনবী মনাওনুপীশিংগী ৱাদসু নত্তনা, অতোপ্পা মীওই কয়ামরুম্না ‘মাম্মা’ কৌগদবা মফমদা ‘তাদা’ কৌনবসু থোক্তবা নৎত্রি। পূম্নমকসি লোন্থৈসু নৎত্রি, লোনয়ানসু নৎত্রি, লোন্দি অশেংবা লোন ওইরি, অদুবু, অশেংবা লোন ওইজরগসু শিজিন্নফম লান্না শিজিন্নবগী ওন্ন-তৈনবসিমদি থোকহন্দে হায়বা য়ারিব্রা? থৌদৌসিনা ইরোলসিদা অশোয়বা হায়বদু ওইহল্লক্কদৌরিব্রা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে। অসুম্না, মিঙ্গৌ ওন্নবসিনসু, হান্নদগী হৌনা মীরোলনা য়োৎশিনগদবগী হোৎনরিবা ইরোলসিদা, অনৌবা লাইথেৎ অমা ওইরক্কদ্রা খল্লুবদা ৱাদবা খক ঙমদ্রি। ফজরবা ইরোনসিবু মৈতৈনা লাইনীং ওনঙৈদগী করি ওইরকখ্রে হায়বদু অমুক্তং পুন্না খন্থমিন্নফম থোকই।

চয়েৎনরবা ইরোনসিনা চৎলিবা খোঙচৎসিগী পন্থুংদদি চয়েৎনবা য়াওদনা থুংহনসি। ঙম্নবগীদমকসু হোৎনমিন্নসি। পূম্নমক কথোকমিন্নসি। হৌজিক্কি মতমদদি কনাসু পুঙ্খাই অমগী লম অরেম্বদা খক মাঙহন্নদ্রে। মতম মাঙহন্দনা ইরোলগীদমক তঙাইফদনা তেকথ-পাথরিবা মফমশিংসি অকনবা পলশিং থিংজিনসি। পুকচেল লেপমিন্নসি। অশিংবা শাব কাঙবুশিং শাশিন্নবীরনু। লৈবাক মীয়াম্না লোয়না খঙই। পাথখ্রিবা ইরোলগী ঈচেলসি থিংজিনসি, অনৌবা হায়জিল্লকপা ঈচেল অমত্তা চঙহনগুমসি। ফিভমসিদা, ইরোলনা অনৈবা ঈশিংগী ঈচেল অমা হায়দুদি খক চেল্লক্লোই। ঐখোয় পুন্না য়েংমিন্নসি। ●